# কনষ্টিটুত্যুসন ঙাক্তবগী মতাংদা বি জে পি অমসুং কোংগ্রেসকী মরক্তা মরাল শিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
কনষ্টিট্যুসন ঙাক্না চৎতবগী মতাংদা কোংগ্রেস অমসুং ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না অমগী মথক্তা অমনা মরাল শিনখ্রে।





কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খি, কোংগ্রেসনা চহী ৫০ চঙনা শেমগৎলকপা দেমোক্রেসিগী ফীভম নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিনা ফীভম শোকচিলহল্লে। কনষ্টিট্যুসন্দা যুম্ফম ওইবা ইন্দিয়াগী ইনষ্টিট্যুসন পুন্নমক মাঙ-তাকহন্নবগী পান্দমদা বি জে পি অমদি প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা আর এস এসকী ৱাখল্লোন চৎনহন্নবা হোৎনরি।

অমরোমদা, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা হায়খি, কোংগ্রেসনা কনষ্টিট্যুসন শেমখি হায়বা ৱাফম হঞ্জিন হঞ্জিন ফোঙদোক্তুনা ডা. অম্বেদকরবু মালেমগী মীয়াম মাঙদা ঈকায়বা পীরে। কোংগ্রেসনা কনষ্টি-ট্যুসন কন্নবগী মতাংদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি লৈবাক মীয়াম্বু অপংবা ওইনা উবগী মওংনি।

কুমজা ১৯৪৭ তা নীংতম্বা ফংখ্রবা মতুংদা হঞ্জিন হঞ্জিন কনষ্টিট্যুসনগী কাঙলোন পুন্নমক মথোং মরম খঙহনখিদবা পার্টিদি কোংগ্রেসনি হায়নসু অমিট শাহনা মরাল শিখি।

বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপার্সন শম্বিট পট্রনা রাহুলবু মায়থিরবা পোলিটিসিয়েন অমনি হায়না শিদরদুনা হায়খি, মীখলদা মায়থিবা ফংবদগী নীংবা কায়রবা কোংগ্রেসনা কনষ্টিট্যুসনগী মখাদা লৈবা শেংলবা ইনষ্টিট্যুসন পুন্নমক মাঙ-তাকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লে। রাহুল গান্ধীনা লৈবাক মীয়াম্বু মপুং ফানা থাজহনবা ঙমদবদগী জেনরেল ইলেক্সন্দা কোংগ্রেসনা মায়থিবা নংখিবনি।

অমরোমদা, হিন্দু টেরর হায়বা ৱাহৈ শীজিন্নখিবগীদমক রাহুল গান্ধীনা লৈবাক মীয়ামদা লাল্লে হায়জগদবনি হায়না অমিট শাহনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০০৭ তা মকা মসজিদতা বোম পোকখায়খিবগী মতাংদা রাইট ৱিংগী এক্টিভিষ্ট মঙা মরাল লৈতে হায়না থাদোকখিবগী ৱাফম পল্লদুনা অমিট শাহনা হায়খি, কোংগ্রেসনা হিন্দু কলচরবু টেররিজমগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনরে।

মীখল নকশিল্লক্লবা কর্নাটাকাদা পাঙথোকখিবা মীয়ামগী মীফম অমদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টনা হায়খি, কোংগ্রেসনা মায়থিবা ফংবদগী টেররিজমগী ৱাফম পুশিল্লক্তুনা বি জে পিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরকপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হায়খি, বেটি বচাও, বেটি পরাও হায়বগী মহুত্তা বেটি বচাও বি জে পি কে লোগোনসে বচাও হায়বা খোল্লাও ওইনা লাউফম থোকই। দিল্লিগী তালকাটোরা ষ্টেদিয়মদা সেব দ কনষ্টিট্যুসন কেম্পেন হৌদোকপগী থৌরমদা রাহুল গান্ধীনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা দলিট ফুরুপকী মীওইশিংবু তাথি তাওইনা তৌবগী থৌওং হেনগৎলকপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা থাক্তা লৈহনগদবনি হায়না কনষ্টিট্যুসনদা ময়েক শেংনা য়াওরি। অদুবু বি জে পি গভর্ণমেন্টনা আর এস এসকী মীওইশিং মরুওইবা ফম পায়হন্দুনা কনষ্টিট্যুসনবু ফাগী তাহল্লে।

# চীফ জষ্টিস মফম লৌথোক্নবা ওপোজিসনগী নোটিশ ভেনকয়া নাইদুনা রিজেক্ট তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন পার্টিশিংনা চীফ জষ্টিস দিপক মিশ্রা মফম লৌথোক্নবগী মতাংদা থাঙ্গৎখিবা নোটিশ রাজ্য সভাগী চ্যেরমেন ভেনকয়া নাইদুনা ঙসি রিজেক্ট তৌখ্রে।

নাইদুনা হায়খি, নোটিশ ওফ মোসন্দা য়াওবা ৱারোলশিং কুপ্না য়েংশিনবদা লৌখৎপা য়াবা ৱাফম য়াওরমদবা মরম্না নোটিশ অদু রিজেক্ট তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি। ওপোজিসনগী নোটিশতা চীফ জষ্টিসপু মফম লৌথোক্নবগী মতাংদা মতিক চাবা মরম অমত্তা য়াওবা থেংনদে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

নোটিশ থাঙ্গৎখিবগী মতাংদা কোংগ্রেসনা পাউগী মীফম অমা পাঙথোকখিবগী থৌরম অদু পার্লিয়ামেন্টরি কষ্টম শিংনবনি অমসুং রাজ্য সভাগী কাঙলোন ৱাংমদা লৈবা থৌওংনি। রাজ্য সভাগী মায়োক্তা লৈবা থৌওং ওইবনা চীফ জষ্টিসকী মতাংদা পুখৎলকপা ৱাফম মখা তানা খন্নবা মথৌ তাদে হায়না মহাক্না মখা তাখি।

রাজ্য সভা মেম্বরশিংগী হেন্দবুক্তা য়াওবা প্রোভিজন মতুংইন্না চ্যেরমেন্না অয়াবা পীদুনা মেম্বর খুদিংমক্তা য়েন্থোক্লিবা নোটিশ অমগী মরমদা লৈবাক মীয়ামদা মাঙজৌননা ফোঙদোকপা য়াদে।





এপ্রিল ২০ দা কোংগ্রেসনা নোটিশ পীশিল্লকখ্রবা মতুংদা পাউগী মীফম অমা পাঙথোক্লগা চীফ জষ্টিসপু মরাল শিবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি। পাউগী মীফমদা চীফ জষ্টিস হুন্দুনা ঙাঙবা হায়বসি পার্লিয়ামেন্টরি দেকোরমগী মায়োক্তা লৈবা থৌওংনি।

ভাইস প্রসিদেন্টনা নোটিশ রিজেক্ট তৌখিবগী পাউ হেক ফংবগা কোংগ্রেস লুচিংবা পি এল পুনিয়ানা হায়খি মদুদি, অতৈ ওপোজিসন পার্টি শিংগা তান্নরগা লিগেল এক্সপার্টশিংগা ৱারী শানরগনি অমসুং মথংদা লৌখৎকদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খন্নরগনি।

নোটিশ রিজেক্ট তৌরকপা তারবদি সুপ্রীম কোর্টতা ৱাকৎকনি হায়না মমাঙদা কোংগ্রেসনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা কোংগ্রেস, নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি, কম্যুনিষ্ট পার্টি (মাক্সিস), সী পি আই, সমাজৱাদি পার্টি, বাহুজন সমাজৱাদি পার্টি অমসুং মুস্লিম লিগকী এম পিশিংনা চীফ জষ্টিস মফম লৌথোক্নবগী মতাংদা নোটিশ পুখৎখিবনি।

কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ১২৪ (৪)গী মতুংইন্না লোক সভাগী মেম্বর ১০০ নৎত্রগা রাজ্য সভাগী মেম্বর ৫০ না খুৎয়েক পীবা চেরোল লোক সভাগী স্পিকর নৎত্রগা রাজ্য সভাগী চ্যেরপার্সন্দা পীশিল্লবা মতুংদা চীফ জষ্টিস মফম লৌথোক্কদবনি। মোসন অদু স্পিকর নৎত্রগা চ্যেরপার্সন্না অয়াবা পীবা নৎত্রগা রিজেক্ট তৌবা ঙম্মী। নোটিশ পীশিল্লকখ্রবা মতুংদা ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুনা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপাল য়াওনা কনষ্টিট্যুসনল অমদি লিগেল এক্সপার্টশিং তান্নদুনা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখিবনি।

নাইদুনা হিরম অসিগী মতাংদা লোক সভাগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইরম্বা সুভাস কাসয়াপ, হান্নগী লো সেক্রেটরি পি কে মলহোত্রা অমদি হান্না লেজিসলেটিব সেক্রেটরি সঞ্জয় সিংহগা ৱারী শানখিবনি।

# কুমজা ১৯৫০ দা চাইনানা টিবেট খুদুম চনশিনখিবনি : দলাই লামা



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
বৈজিংনা করিগুম্বা টিবেটকী তোপ-তোপ্পা নাৎ অমসুং ওটোনোমি ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা শক খঙবীবা তারবদি চাইনাগী শরুক অমা ওইনা লৈবদা য়ানিংদবা তৌদে হায়না টিবেটান স্পিরিচ্যুএল লিদর দলাই লামানা ফোঙদোকখ্রে।

নেহরু মেমোরিএল ম্যুজিয়ম অমদি লাইব্রেরী অমসুং অন্টর রাষ্ট্রিয়া সহয়োক পরিষদনা শীন্দুনা রোল ওফ ইথিক্স এন্দ কলচর ইন প্রমোটিং গ্লোবেল পিছ এন্দ হার্মোনি হায়বা হিরমদা ৱা ঙাঙখিবদা দলাই লামানা হায়খি, মহৌশাদগী হৌনা টিবেটনা মনিং মখা তম্বা লৈবাক অমা ওইনা লৈরকই। কুমজা ১৯৫০ দা চাইনানা টিবেট লৌশিনখিবনি। মরম অদুনা চাইনাগী কনষ্টিট্যুসন্না টিবেটান ওটোনোমস রিজনগী অখন্নবা পুৱারী অমসুং নাৎ শক খঙবীরবদি টিবেটনা চাইনাগী মনুং চন্না লৈবদা কায়দে।

মশাগী চহী ৮২ শুবা দলাই লামানা ইন্দিয়াদা চেন্দুনা লৈরকপা চহী ৬০ শুরকপগী কুমওনগা মরী লৈননা থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। ম্যান্মারদা রোহিঙ্গা ফুরুপকী মায়োক্তা চথ্বরক্লিবা থৌওংগী মতাংদসু দলাই লামানা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ম্যান্মারগী মিলিট-রিনা মীওই ফুরুপ অমা তুম্না হাৎনবগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি অথিংবা পীনবা মালেমগী মীয়াম্না হোৎনমিন্নবা তঙাইফদে। চাইনাগী মতৌগুম ইন্দিয়ানসু মালেমগী অতৈ অতোপ্পা মফম কয়াদা চৎনবী নাৎ শন্দোক্নবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অরিবা মতমদা লৈরম্বা ইন্দিয়াগী চৎনবী পুন্নমক নৌনা অমুক হিঙ্গৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

গ্লোবেল ৱার্মিংনা মীওইবা খুন্নাইদা পীরিবা চৈথেংগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, অঙ্গং-অশাগী খল কায়রক-পনা ধরমসালাদা উন তাবগী মওং মতৌদা অহোংবা কয়া লাক্লে। মীপুম খুদিংমক্না অকোয়বগী ফীভম লূ-নান্না থম্বগা লোয়ননা অঙ্গং-অশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি। কুমজা ১৯৫৯ দা দলাই লামানা মহাক্কী তুংইনবা খরগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা চেন্দুনা লৈরকখিবনি।

# কর্নাটাকাগী এসেমব্লী ইলেক্সনদা মীরেপ ওইগদবা মীওই তরেৎকী মিং য়াওবা বি জে পিগী মরিশুবা মীরেপকী লিষ্ট থাদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না ঙসি মে ১২ দা পাঙথোক্কদৌরিবা কর্নাটাকা এসেমব্লী ইলেক্সনদা মীরেপ ওইগদবা মীওই তরেৎকী মিং লাউথোকখ্রে।

হন্দক্কী অসিনা মরিরকশুবা মীরেপকী লিষ্টনি। মীরেপ ওইনবা লাউথোকখ্রবা মীওইশিং অদুদি, ভাদ্রভতি শ্রি কনষ্টিট্যুএন্সিদা জি আর প্রবিন পাটিল, য়স্বান্তপুরাদা জগেশ, বি টি এম লেআউটতা লালেস রেদি, রামানগরমদা ঐচ লিলাবতি, বেলুরদা ঐচ কে সুরেশ অমসুং হাসন এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা জে প্রিতম গৌদানি।

কর্নাটাকাদা মীখল পাঙথোক্কদবা থা ১ রোমতা ঙাইশিল্লকপগা লোয়ননা কোংগ্রেস অমদি ওপোজিসন বি জে পিনা সোসল মিদিয়াদা অমনা অমবু মরাল শিনবগী থৌওং লেপ্তুনা চথ্নরক্লি। চীফ মিনিষ্টর সিদারময়ানা লুচিংবা কোংগ্রেস লৈঙাকপু বি জে পিনা মায়থিবা পীনবা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি। মমাঙ থাদা বি জে পিনা মীওই ৭২ গী মিং য়াওবা মীরেপশিংগী অহানবা লিষ্ট থাদোকপা লৈখ্রবনি।



পার্টিগী সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্লবা মতুংদা অহানবা মীরেপকী লিষ্ট থাদোকখিবনি। ন্যু দিল্লিদা লৈবা বি জে পিগী হেদক্বার্টরসতা পার্টি প্রসিদেন্ট অমিট শাহ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ অমদি এক্সটর্নেল এফ্যের্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ য়াওবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিংগী মিং খনগৎখি।

মে ১২ দা তাঙ্কক অমুক্তদা মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা কর্নাটাকাদা মে ১৫ দগী ভোট মশিং থিবা হৌগনি। হন্দক্কী মীখল অসিদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন অমদি ভোটর ভেরিফাইএবল পেপর ওদিট ট্রেল শীজিন্নগনি। এপ্রিল ১৭ তা মীখলগী নোটিফিকেসন থোকখিবগা লোয়ননা মীরেপ চে পীশিনবগী অরোইবা নুমীৎ এপ্রিল ২৪ নি। এপ্রিল ২৫ দা স্ক্রুটিনি তৌরগা মীরেপ চে লৌথোকপগী অরোইবা নুমীৎনা এপ্রিল ২৭ নি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন্না লাউথোকখ্রবনি।

মে ২৮ দা মতম লোইরগদবা মেম্বর ২২৪ লৈবা কর্নাটাকা এসেমব্লীদা হৌজিক হৌজিক কোংগ্রেসকী এম এল এ ১২২ লৈরি। বি জে পিগী ওইনদি এম এল এ ৪৩ লৈ। চহী অসিগী মনুংদা মীখল পাঙথোক্কদবা ষ্টেট ৮ গী মনুংদা কর্নাটাকাসু অমনি।

সিদারময়ানা লুচিংবা কোংগ্রেসনা অনীরকশুবা টার্মগী লৈঙাক পায়নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবগা লোয়ননা বি জে পিনসু ষ্টেট অসিদা লৈঙাক শেম্নবা হোৎনরি। ভোট খোম্বগী থবক্তা শরুক য়ানবগীদমক এপ্রিল ২৭ তা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধী মেঙ্গলুরুদা লাক্কদৌরি। মহাক্না বন্তৱাল কনষ্টিট্যু-এন্সিদা মীখলগা মরী লৈননা পাঙথো-ক্কদবা মীফম অমদা ৱা ঙাঙগনি।

ষ্টেটকী ফোরেষ্ট মিনিষ্টর অমসুং দক্সিন কর্নাদা দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ ওইরিবা বি রামনাথ রাইনা কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা পার্টিগী মীরেপ ওইরি। এপ্রিল ২৭ তা রাহুল গান্ধীনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল কনফরেন্স অমদা শরুক য়ারম্লবা মতুংদা ধর্ম্মস্থলা টেম্পল টাউনদা চৎতুনা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাঙগনি।

মার্চ ২০ দা কোষ্টেল রিজনদা লাকখিবা রাহুল গান্ধীনা তোঙান তোঙানবা মীয়ামগী মীফম কয়াদা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা রোজারিও কেথিদ্রেল, কুদ্রোলি টেম্পল অমসুং উলাল দর্গা য়াওনা লাইশঙ কয়াদা চৎতুনা লাই খুরুম্বা লৈখ্রবনি। চৈরকসিদা, বি জে পিনা করিগুম্বা মায় পাক্লবদি কোংগ্রেসনা চথখিবা শেঞ্জা-থুমজাগী থৌওং পুন্নমক থিগৎকনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

# এপ্রিল ২৭ তা টি আর এসকী প্লিনরি পাঙথোক্কদৌরি

হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
তেলঙ্গনা রাষ্ট্রা সম্মিটি (টি আর এস) কী প্লিনরি সেসন এপ্রিল ২৭ তা পাঙথোক্লগনি হায়না তেলঙ্গনাগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি অমসুং ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর কে টি রামা রাওনা ফোঙদোকখ্রে।

কোম্পালিদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুদা হৌজিক ওইরিবা পোলিটিকেলগী ফীভম অমসুং মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না তুংদা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওগী মচানুপা কে টি রাম রাওনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবদা মহাক্না হায়খি, ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা পায়খৎ-লিবা তোঙান তোঙানবা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাংশিং অমসুং তুংদা পায়খৎকদবা চাউখৎ থৌরাংশিংগী মতাংদসু পার্টিগী মরুওইবা মীফমদা কুপ্না খন্নগনি। কুমজা ২০০১ দা লিংখৎখিবা টি আর এসনা কুমজা ২০১৪ গী জুনদা তেলঙ্গনাগী লৈঙাক পায়বা ঙমখি। অন্ধ্র প্রদেশতগী তেলঙ্গনা খায়দোক্লবা মতুংদা পার্টি অসিনা অনৌবা ষ্টেটকী লৈঙাক পায়খিবনি। প্লিনরি সেসন মায় পাকহন্নবগী মতাংদা টি আর এসনা তোঙান তোঙানবা কম্মিটি ৯ শেমদুনা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎপা হৌহনখ্রে হায়রি।

এপ্রিল ২৭ তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা এম এল এ অমদি মিনিষ্টরশিং য়াওনা ষ্টেটকী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই ১৩,০০০ রোম শরুক য়াগদৌরি।

পনবা য়াবদি, চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনা শেঞ্জা থুমজাদা চেন্নবা ম্যুনিসিপাল মিনিষ্টর কে টি রামা রাওবু খুদক্তা মফম লৌথো-ক্কদবনি হায়না তেলঙ্গনা প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী চীফ ওফিসল স্পোক্সপার্সন দাসোজু শ্রবন্না তকশিনবা লৈখ্রবনি। মহাক্না হায়খি, কে টি রামা রাও মফম লৌথোক্তুনা অফবা লৈঙাক অমা লৈহনগদবনি।

# চহী নৌরিবী নুপীমচাদা নমজা নমথেক্লবা হোৎনখিবগী মরালদা বি জে পি লুচিংবা ফারে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
কে পি প্রেম অনন্ত কৌবা ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লুচিংবা অমা ট্রেন মনুংদা চহী নৌরিবী নুপীমচা অমদা নমজা নমথেক্লবা থৌরাং লৌখৎখি হায়বগী মরালদা ফাখ্রে।

উকিলগী শিনফমদা লৈরিবা প্রেম অনন্তনা কুমজা ২০০৬ তা পাঙথোকখিবা তামিল নাদুগী এসেমব্লী ইলেক্সন্দা আর কে নগর কনষ্টিট্যুএন্সিদগী মায় পাকখিবনি। টিরুবনন্তপুরম-চেন্নাই এক্সপ্রেস ট্রেনদা মহাক্না মশাগী চহী ১০ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমদা কা হেনবা থৌওং চথখি হায়না মরাল শিরি।



অনন্তবু ইরোদ রেলৱে পুলিসনা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়ল ওফেন্সেস (পি ও সী এস ও) এক্টকী মখাদা ফারগা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, নুপীমচা অদুনা তূম্লিঙৈদা অনন্তনা কা হেনবা থৌওং চথনবা থৌরাং লৌখৎলমখি। চহী নৌরিবী নুপীমচা অদু ইপা পাখৎনা মীকপ থোরকপগা লোয়ননা লাউরকপদগী চৎমিন্নরিবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা ফারগা মহাকপু পুলিসতা শিন্নখিবনি।

চহী ১২ শুদ্রিবী নুপীমচা ফল্লানবা মীওই পুন্নমক শিবগী চৈরাক পীনবা ওর্দিনান্স অমা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অয়াবা পীখিবা নুমীৎ-মক্তদা থৌদোক অসি থোকখিবনি। থাংজ নুমীৎতা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ওর্দিনান্স অদু পাস তৌখি। ওর্দিনান্স অদুনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ; ইন্দিয়ন এভিদেন্স এক্ট, ১৯৭২; দ কোদ ওফ ক্রিমিনেল প্রোসিজর, ১৯৭৩ অমসুং প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্সুয়ল ওফেন্সেস এক্ট, ২০১২ এম্মেন্দ তৌদুনা চহী নৌরিবী নুপীমচা ফল্লানবদা চেন্নবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

অমরোমদা, মধ্য প্রদেশকী মোদেল অমা মীওই অনীনা কা হেনবা থৌওং চথনবা হোৎনরক-পদগী নান্থোক্তুনা চেন্নবা থৌরাং তৌবদা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা অশোক অপন নংখ্রে। ভিক্টিম ওইহৌরিবী নুপী অদুনা স্ক্যুটর থৌরগা চৎলিঙৈদা নুপা অনীনা মনাক নক্না থৌজিল্লক্লগা স্কর্ট চিংলকপদগী নান্থোক্লবা হোৎনবদা নুপী অদু এক্সিদেন্ট থোকখিবনি। মীয়াম তীনবা মফমদা থৌদোক অদু থোকখ্রবসু কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা নুপী অদুগী মতেং পাংনবা হোৎনখিদে হায়রি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারি থাদসু কোলকাটাগী প্রাইভেট স্কুল অমদা ক্লাস টু তম্বতা ঙাইরিবী নুপীমচা অমা স্কুল অদুগী ওজানা কা হেনবা থৌওং চথনবা হোৎনবা লৈখ্রবনি। থৌদোক অসিগী মতাংদা খোয়শাউনরবা মীওই কয়ানা স্কুল মনাক্তা খোঙজং চঙশিনখিবগা লোয়ননা মরাল লৈরবা মীওই অদু চৈরাক পীনবা তকশিনখি।

# ইন্দিয়ন চাদা ৭৬ না শিবগী চৈরাক পীহন্নিংই : রিপোর্ট

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
অঙাং ফল্লানবগী মরাল লৈরবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা ওর্দিনান্স অমা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা অয়াবা পীখ্রবা মতুংদা পাঙথোকখিবা সর্ভে অমদা ইন্দিয়ন চাদা ৭৬ না থৌরাং অসি য়ানিংবগী মোত পীরকখ্রে।

লোকেল সার্কলস কৌবা এন জি ও অমনা পাঙথোকখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়খি, ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বনা অনৌবা ওর্দিনান্স অমা চৎনহল্লগা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিং ফল্লানবদা চেন্নবা মীওই পুন্নমক শিবগী চৈরাক পীবগী থৌওং শৌগৎলি।

কাটুৱা অমদি উনাওদা থোকখিবা থৌদোক মতুং তারকপদা লৈবাক অসিগী মীওই অয়াম্বনা নুপীদা চথবা ক্রাইম মপুং ফানা থিংনবা থৌরাং লৌখৎপা পাম্মী হায়না মোত পীরকখি।

পনবা য়াবদি, মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান, হরিয়ানা অমসুং অরুনাচল প্রদেশতা হন্দক্তা লো অমা পাস তৌদুনা অঙাং ফল্লানবগী মরাল লৈরবা মীওই পুন্নমক শিবগী চৈরাক পীনবা থৌরাং লৌখৎখ্রবনি।

অতোপ্পা সর্ভেগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, সেক্সুয়ল এসোল্টকী কেস রেজিষ্টার তৌনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা নুপী ওফিসর থমগদবনি হায়না মীওই কয়ানা মোত পীরকখি। দিষ্ট্রিক্ট লেভেল পুলিস ষ্টেসন খুদিংমক্তা তঙাইফদনা নুপী ওফিসর অমমম থমগদবনি হায়না মীওই চাদা ৭৬ না মোত পীরকখি।

চার্জসিট ফাইল তৌবগী মতাংদা মীওই চাদা ২৮ না হায়খি মদুদি, অঙাং ফল্লানবগী কেসতা য়াল্লবদা নুমীৎ ৩০ গী মনুংদা চার্জসিট ফাইল তৌগদবনি। অতোপ্পা মীওই চাদা ২৫ না নুমীৎ ৪৫ গী মনুংদা চার্জসিট ফাইল তৌগদবনি হায়না মোত পীরকখি।


প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন কেবিনেটকী মীফম অমা হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা ফমখিবগা লোয়ননা অঙাং ফল্লানবা মীওইশিং শিবগী চৈরাক পীনবা ওর্দিনান্স পাস তৌখিবনি।

# মে ১১ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি নেপালদা চৎকদৌরি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মে ১১ দা নেপালগী কাঠমন্দুদা থুংলগনি হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নেপালগী মহাক্না ফম মান্নবা কে পি শর্ম্মা ওলিনা হন্দক্তা ইন্দিয়াদা লাক্লম্লবা মতুংদা মোদিনা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা নেপাল চৎনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

কুমজা ২০১৫ -১৬ তা লৈবাক অনীগী ঙমখৈদা ইকনমিক ব্লোকেদ তৌখিবদগী য়ুল্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী শোকচিল্লকখিবনি। কুমজা ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌ পুরবা মতুংদা মোদিনা নেপালদা চৎপা হন্দক্না অহুল্লক শুবা ওইরগনি।



নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎ মনুংদা মোদিনা জনকপুরদসু য়ৌরক্কদৌরি। কুমজা ২০১৪ দা মহাক্না মফম অসিদা চৎপা ঙমখিদবগী মতাংদা নুংঙাইতবা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। মমিং লৈরবা হিন্দুশিংগী লমথুংফম মুক্তিনাথদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা চৎলবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, ইন্দিয়াগী নেপালদা এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা মঞ্জিব সিংহ পুরিনা জনকপুরগী প্রোভিন্স নম্বর টুগী চীফ মিনিষ্টর লাল বাবু রাওৱুটকা উনদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎকা মরী লৈননা ৱারী শানখ্রে।

এপ্রিল ২৭ তগী ২৮ ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টরনা চাইনাদা চৎতুনা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা ৱারী শাননবা থৌরাং তৌরিবনি। এক্সটর্নেল এফ্যেরস মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজ অমসুং চাইনাগী মহাক্না ফম মান্নবা ৱাং য়িনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পাউগী মীফম অমদা স্বরাজনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টরগী চাইনা খোঙচৎকা মরী লৈননা ৱাং য়িগা উনদুনা ৱারী শানরে। লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী পান্দমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা চাইনিজ প্রসিদেন্ট উননবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

কুমজা ২০১৪ দা প্রাইম মিনিষ্টরগী থৌ পুরবা মতুংদা মোদিনা চাইনাদা চৎপা হন্দক্না মরিরকশুবা ওইরগনি। জুন ৯ দগী ১০ ফাওবা কিংদাউ সিটিদা পাঙথোক্কদবা শংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সী ও) গী মীফম য়াওনবগীদমক মোদিনা চাইনাদা অমুক হন্না চৎকদৌরি। দোক্লামদা হন্দক্তা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং মুক্লবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা স্বরাজনা ৱাং য়িগা উনদুনা ৱারী শানখিবনি।

# হান্নগী ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করবু গ্লোবেল কোর্পোরেট এফ্যেরসকী প্রসিদেন্ট খনখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ২৩ (এজেন্সি):
টাটা গ্রুপনা হান্নগী ফোরেন সেক্রেটরি এস জয়শঙ্করবু গ্লোবেল কোর্পোরেট এফ্যেরসকী প্রসিদেন্ট খল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

টাটা সন্সকী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, জয়শঙ্করনা টাটা সন্সকী চ্যেরমেন এন চন্দ্রসেকরনদা রিপোর্ট তৌগনি। ফম অসি পায়খিবগা লোয়ননা এস জয়শঙ্করনা টাটা গ্রুপকী গ্লোবেল কোর্পোরেট এফ্যেরস অমসুং ইন্টরনেসনল ষ্ট্রেটিজিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়রগনি।

টাটা সন্সকী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা হান্নগী ফোরেন সেক্রেটরি কম্পেনি অসিদা থবক তৌবগী ৱাফম অয়াবা পীরকখিবনি হায়রি।

চন্দ্রসেকরনন্না হায়খি, ইন্টর-নেসনল এফ্যেরসতা নীংথিনা খঙলবা জয়শঙ্করগুম্বা মীওই অমা চঙলকপনা কম্পেনি অসিগী ফীভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৫ গী জান্যুৱারিদা কুমজা ২০১৮ গী জান্যুৱারি ফোরেন সেক্রেটরি ওইরম্বা জয়শঙ্করনা কুমজা ১৯৭৭ তা ইন্দিয়ন ফোরেন সার্ভিসতা চঙখিবগা লোয়ননা মরুওইবা ফম কয়া পায়রম্মী।